# প্লান্নিং কম্মিসন্না মণিপুরগী ২০১৩-১৪গী ওইনা প্লান সাইজ লুপা ক্রোর ৩,৬৫০ লেপখ্রে

*নিউ দিল্লি, এপ্রিল, ২৫ ঃ* প্লান্নিং কম্মিসন্না মণিপুরগী ওইনা চৎলিবা চহী ২০১৩-১৪গী ওইনা প্লানগী শেনফম লুপা ক্রোর ৩,৬৫০ দা লেপখ্রে। হায়রিবা শেনফম অসি হৌখিবা শেনবা চহীদগী চাদা ৪.৩গী চাংদা হেনগৎনা লেপ্লকখিবনি। হৌখিবা চহী ২০১২-১৩ দদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা প্লান সাইজ অসি লুপা ক্রোর ৩,৫০ খক্তমক ফংখি।

ষ্টেটসিগী ওইনা প্লান সাইজগী শেনফম অসি ঙসি প্লানিং কম্মিসনগী দিপ্যুটি চেয়ারমেন মোন্তেক সিংহ অহল্লুৱালিয়া অমদি চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী অনিনা খন্নরবা মতুংদা লেপখিবনি। মণিপুরগী প্লান সাইজ লেপখিবা অসিগা মরী লৈননা প্লানিং কম্মিসনগী দিপ্যুটি চেয়ারমেন মোন্তেক সিংহ অহল্লুৱালিয়ানা হায়খিবদা, প্লান সাইজ লেপ্পগী মীফম অদু য়াম্না নীংথিনা চত্থখি। মণিপুরদা লৈরিবা সরকার অসিনা হিরম খুদিংমক্তা নীংথিনা পাঙথোক্লিবা কয়া অসিদা মেম্বর খুদিংমক্লা চিফ মিনিষ্টরদা অপেনবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা চহীসিগী ওইনা মণিপুরগী প্লান সাইজগী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৩,৬৫০ দা লেপ্পদা অয়াবা পীখি। শেনফম অসি হৌখিবা চহীগা য়েংনবদা য়াম্না চাওনা হেনগৎলবনি হায়খি।

মণিপুরগী ওইনা তশেংনা থবক ওইনা পাঙথোকখিবসি লুপা ক্রোর ২,১০০ ওইখি হায়না খনখি। লোয়ননা মসি ওইথোকপা য়াৱ্রা হায়না চিংনবা লৈখি। অদুম ওইনমক চিফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কলিগশিংনা থবকশিং অদু মায় পাক্লা পাঙথোকখি হায়না মঙোনদা থাজবা পীখি হায়রদুনা মণিপুর সরকারগী এচিভমেন্টশিং অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মখা তানা অহল্লুৱালিয়ানা হায়খিবদা, মণিপুর অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়েংবদা অঙাং শিবগী চাং খ্বায়দগী নেম্মী। প্লানিং কম্মিসন্না মণিপুরদা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা এসেসমেন্ট তৌবা অমসুং অতৈ এরিয়াশিংদা রিভিউ তৌবদা মণিপুরদা থাদখিবা সেন্ত্রেল এসিষ্টেন্টকী শেনফম অসি মণিপুর সরকারনা নীংথিনা থবক ওইনা পাঙথোকখি। মরুওইনা মতম কুইনা নমশিন্দুনা লাকখিবা ইরিগেসন প্রোজেক্টশিং থবক ওইনা পায়খৎখি।

মণিপুরনা সেন্টরদগী ফন্দ ফংবদা থেংথবা কয়াগী মতাংদা পনখিবগা লোয়ননা চিফ মিনিষ্টরদা সেন্টরগী ফন্দশিং অথুবা মতমদা থাদোক্লনবা মেকানিজম অমা পুথোক্লগনি। মসি য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমনি হায়না মহাক্লা খনবগা লোয়ননা অতোপ্পা ষ্টেটশিংনসু অসুম্না হায়বা লৈ। মরম অদুনা প্লানিং কম্মিসনগী মায়কৈদগী চিফ মিনিষ্টরদা মণিপুরগী ওইনা ৱার্কিং পেরেদ অসি তেল্লি হায়বা খঙবনা অথুবদা শেল থাদনবা মেকানিজম অদু পুথোক্কদবনি। মেকানিজম অসি পুথোক্লবদি প্লানগী শেনফম পঙ্থবা তৌদনা মতম চানা ফংহল্লগনি হায়খি।

অদুম ওইনমক চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীগী মায়কৈদগী প্লান সাইজ অসিদা মপুং ফানা অপেনবা হায়বদু ওইদে। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি য়েংলগা অপেনবা পোকই হায়খি।

দিপ্যুটি চেয়ারমেন অহল্লুৱালিয়ানা হায়খিবদা, ফাইনান্সিয়েল সেচুয়েসন অসিগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরদা শন্দোক্লা তাক্লদুনা সেন্ত্রেল প্লানগী ওভরওল বজেদ ইষ্টিমেটতা হেনগৎলিবসি চাদা ৫ খক্তনি। লৈবাক অসিগী ওইনা শেল-থুমগী ওইনা অৱুবা ফিভম অমদা লৈরি হায়না চিফ মিনিষ্টরদা খঙহনবগা লোয়ননা মণিপুর অমসুং সেন্টর অনিগী মরক্তা শেল-থুমগী অৱাবগী মতাংদা খেন্নবা অমত্তা লৈতে । চহী অসিগী ওইনা রিছোর্সকী শেনফমনা হিংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।